**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অসামগী দিব্রুগর জিলাগী নামরুপতা লুপা কোতি লিশিং ১০,৬০১ চংগদবা ফরতিলাইজর প্লান্ট অমগী যাত্রা হুনখ্রে।

২) রতন থিয়ামগী শৈরেং নৈনবা হায়বসিদা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিদা পাঙথোকখ্রে।

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ভিক্সিত ভারত- জি রাম জি বিল ২০২৫ অয়াবা পীখ্রে।

৪) বি.এস.এফকী কন্সটেবল লৌবদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না আগি বির ওইরম্বশিংগী কোতা চাদা ১০ দগী ৫০ দা হেনগৎহনখ্রে।

অমসুং

৫) ইসরোনা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কম্ম্যুনিকেসন সেটেলাইট ব্লু বার্ড ব্লোক টু থাগৎলগনি।

------

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অসামগী দিব্রুগর জিলাগী নামরুপতা লুপা কোতি লিশিং ১০,৬০১ চংগদবা ফরতিলাইজর প্লান্ট অমগী যাত্রা হুনখ্রে। লমদম অশোমগী হার হেন্না পুথোক্কুনা লৌউ শিংউগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপনি। প্লান্ট অসিনা চহিগী ওইনা য়ুরিয়া মেত্রিক টন লাক ১২ লিশিং ৭০ পুথোক্কনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- প্লান্ট অসিনা অসামগী দরকার লৈবা হার পুথোকপগী মথক্তা যুমলোন্নবা রাজ্যশিংদসু ফংহন্দুনা হারগীদমক মপান লৈবাক্তা মীপাল তাংবা হন্থহন্দুনা থবক ফংবগী খুদোংচাবসু পীরগনি। মসিনা লমদম অশোমগী উদ্যোগশিং চাওখৎহনবদসু মতেং ওইরগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হান্না লৈরম্বা ফেক্তরিশিংগী টেকোলোজি অসি মতমগা চুনদ্রে অমসুং কংগ্রেস সরকারনা লম অসিদা মীৎয়েং চংখিদে। মহাকা হায়- মসিনা মরম ওইদুনা নামরুপকী উদ্যোগকী যুনিত কয়ামরুম থিংজিল্লে অমসুং সমস্য অসি কোকহন্নবা কংগ্রেসনা হোৎনখিবা লৈতে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- কংগ্রেসনা থম্লম্বা খুদোংচাদবা কয়া অদু দবল ইঞ্জিন সরকারনা কোকহল্লে। শ্রী মোদিনা হায়- ২০১৪ দা লৈবাক অসিনা যুরিয়া মেত্রিক টন লাখ ২২৫ খক্তং পুথোক্লম্বদু হৌখিবা চহি ১০-১১ অসিদা কন্না হোৎনবদগী মেত্রিক টন লাখ ৩০৬ লোম পুথোকপা ঙমলে।

মদুগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রিনা অসামগী ইহৌদা সহিদ ওইখ্রবশিংগী গুৱাহাতিগী পসিম বরাগাউদা লৈবা স্বাহিত সমারক ক্ষেত্রদা চৎখি। পরিক্ষা পে চরচা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা গুৱাহাতিদা মহৈরোই ২৫ গসু ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদু ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা জহাজ অমগী মথক্তা পাঙথোকখি।

পামেক্স (এল)ঃ রাজ্য অসিগী ইরাংনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিং হৌজিক্তি মশাগী ময়ুমদা হনবা পামরে। অদুবু কনাগুম্বা খরনা পামদবা থৌদোক থোকহন্দুনা আই.দি.পিশিংনা ময়ুমদা হঞ্জবদা অপনবা থোকহল্লিবা অসিদা এম.এল.এ- যুমাম খেমচান্দনা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ মাষ্টরস প্রিন্টরস নিউ দিল্লি অমসুং ওল মণিপুর প্রিন্তিং টেকোলোজিষ্ট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা রোমান্সিং প্রিন্ট, রোলস ওফ প্রিন্তিং ইন মোর্দন ইজ্‌কেসন এন্দ রোড সো (পামেক্স)কী নেসনেল সেমিনার হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- হন্দক কামজোং চৎপগী লম্বীদা লিতানদা

আই.দি.পিশিং উন্নরকপদা মখোয়না মশা মশাগী ময়ুমদা হন্নিংবগী অপান্বা ফোংদোরকখি। অতৈ মফম কয়াদসু আই.দি.পিশিংনসু ময়ুমদা হলনবীরো হায়না খোঙজং কয়া চংশিল্লি। আই.দি.পি পুমমকা য়ুমদা হন্নিংলবসু রিলিফ কেম্পতা লৈতবা মীওই খরনা ইরাং শাগৎনবা হোৎনদুনা লৈবসি অঙাকপা থৌওংনি। মণিপুর অসি কাংলুপ ফুরুপ কয়ানা পুনদুনা শেম্বনি হায়বসি নিংশিংবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

কোকোমি (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী তোরবুং বঙ্গলাদা থা অসিগী ১৬ তা আই.দি.পিশিংনা ময়ুমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনরিঙৈদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বশিংনা এটেক তৌরকখিবগী থৌওং অদুগা মরী লৈননা কোকোমিনা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

ইম্ফালগী লম্বোই খোঙনাংখোঙদা থা অসিগী ১ দগী হৌদুনা চখ্থরক্লিবা ৱাকৎ মীফমদা পাউমীশিংগা উন্নবদা কোকোমিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা হায়- ঙরাং কোকোমি অমদি আই.দি.পিশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা কাংবু অমগা চীফ সেক্রেতরি, হোম কম্মিসনার অমদি রাজ্যপালগী প্রাইভেট সেক্রেতরি য়াওনা ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেতরিয়েটতা মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা কোকোমিগী মাইকৈদগী চেনা অহুমগী রিপ্রজেন্টেসন অমা পীশিনখি। চেরোল অদুদা তোরবুং বঙ্গলাদা থোকখিবা থৌদোক অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী ৱাফম, মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোক্তনবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীনবা ৱাফমসু য়াওরি।

সেমিনার (এল)ঃ রতন থিয়ামগী শৈরেং নৈনবা হায়বসিদা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিদা পাঙথোকখ্রে।

অশৈ লুপ মণিপ্রনা জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমি অমসুং লিলোং হাওরৈবী কলেজনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবা থৌরম অদুদা এম.এল.এ- করাম শ্যামনা হায়- রতন থিয়ামনা থিয়েতরগী লমদা অনৌবা মায়ওন অমা পীননবা

অমসুং হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা মসিগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহন্নবা হোৎনরম্মী। মহাকা ইরম্পা শৈরেংশিংদা মরৈবাক মরমদমবু নুংশিবগী মমি চাউনা তাই।

জেএফদি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা এন.আর.সি. নত্রগা মসিগা মান্নবা চৎন কাংলোন অমা শেমদ্রিবা ফাওবা মীকোক থীবীগনু হায়না কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিতেসন (জে.এফ.দি)না মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

সেন্সসকী মতাংদা জে.এফ.দিনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা তাঙ্কক নাইনা চথুরকপা মীফমগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোংগ্রেন অমদি নোংদম খুলদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা জে.এফ.দিগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়- মমাংদা পাঙথোকখিবা মীকোক থীবগী থবক্তা অশোইবা কয়া থেংনখ্রে। হৌজিক নৌনা অমুক মীকোক থীবগী থবক চথুরকপা মতমদা হেন্না অকায়বা থোকপগী ফিভম কয়া মায়োকদুনা লৈরি। মমাংগী মীকোক থীবদা আইন কায়বা মওংদা চংলকপা মীতোপ কয়া অমা য়াওশিনবগী থৌদোক লৈখ্রে। মরম অসিনা মীকোক থিদ্রিঙৈদা আইন কায়না চংলকপা মীতোপশিং হান্না খন্দোকপগী থবক পায়খৎকদবনি।

য়ুপিএফ (এল)ঃ য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মণিপুরনা শিন্দুনা মণিপুর অমদি মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা অতোপ্পা রাজ্যশিংদা লেপ্পা লৈতনা চহি ৭ খুন্তাকপা নীংশিং থৌরম লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু গুৱাহাতিগী মণিপুরী বস্তিদা চহি ৭ খুন্তাকপা নিংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ হৈখাম দিঙ্গোনা হায়- রাজ্য অসিদা অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চোইনা তারিবা মণিপুরী খুদিংমকা অমত্তা ওইনা পুনদুনা ইরমদম অসিগীদমক পুন্না লেপমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে । নুংশিনবা অমদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নিংথিনা পাউ ফাওদোকবনা শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

উখ্রুল (এল)ঃ খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী কুম্মৈ খৃষ্টমাসনা লাকপদা রাজ্য অসিদসু তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংনা কুম্মৈ অসিগীদমক শেম শাবা হৌনরে।

উখ্রুল জিলাদসু কুম্মৈ অসিগীদমক চর্চশিং য়াওনা মফম কয়াদা নিংথিনা লৈতেংদুনা শেম শান্নরি।

অমালা (এল)ঃ ওল মণিপুর লেদি এদভোকেটস এসোসিয়েসন (অমালা) লিংখৎখিবগী ২৮ সুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী চৈরাপ কোর্টতা কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর হাই কোর্টকী জজ, জষ্টিস এ. বিমোল, জষ্টিস এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা, জষ্টিস গোলমৈ গাইফুইসিলু, অন্বাগী প্রসিদেন্ট সি.ঐচ. বিমোলচন্দ্র অমসুং অমালাগী প্রসিদেন্ট সি.ঐচ. কিরনবালা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা অমালাগী চহিগী ওইনা পুথোকপা সোভিনিয়রসু ফোংখি।

লিলা (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলনা শিন্দুনা নীংথম শুমাং লিলা ফেষ্টিভেল থা অসিগী ২৮ দগী হৌদুনা মথং থাগী ৬ ফাওবা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেনদা পাঙথোক্লগনি। ফেষ্টিভেল অসিদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা শুমাং লিলাগী দল ৮ গী লিলাশিং উৎকনি।

কেম্প (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিংকু রোড-নাগারামদা লৈবা লিটল ক্লিনিকা শিন্দুনা ক্লিনিক অসিদা নোংমগী ওইনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবা মীওই ৫০ য়াওনা পুন্না মীওই ৩০০ হেনবগী হকচাংগী অনাবশিং লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকশিংসু পীখি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিয়েসন লিংখৎখিবগী ৪৫ শুবা কুমওন থৌরম এসোসিয়েসন অসিনা শিন্দুনা ককচিং জিলাগী লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরগী ওদিতোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে। থোরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎ শরুক য়াখি।

বিল ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ভিক্সিত ভারত- গরেন্তি ফোর রোজগার এন্দ আজিবিকা মিসন (গ্রামিন) (ভি.বি-জি রাম জি) বিল ২০২৫ অয়াবা পীখ্রে।

সংসদনদি নিংথম মীফমদা বিল অসি হান্ননা পাস তৌখ্রবনি। এক্ট অসিনা খুঙ্গংগী লমদা য়ুমথোঙ অমমমদা শেনবা চহি খুদিংগী নুমিৎ ১২৫ নি থবক পীবগী ৱাফম য়াওরি। রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রালয়না হায়- মসিনা খুঙ্গংগী মীওইশিংদা থবক ফংহন্নবগী থৌশিলদা শিংথানিঙাই ওইনা অওনবা পুরক্লগনি। ভি.বি-জি রাম জি এক্ট অসিনা মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্তি এক্ট (এম.জি-নরেগা) ২০০৫ গী মহুৎ শিল্লগনি।

আগনি বির ঃ বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ)কী কন্সটেবল লৌবদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না আগি বির ওইরম্বশিংগী কোতা চাদা ১০ দগী ৫০ দা হেনগৎহনখ্রে। গেজেদ নোতিফিকেসন অমগী মতুংইন্না অহানবা বেজগী আগি বির ওইরম্বশিংগী অপ্পর এজ লিমিত চহি ৫ অদুগা অতৈ আগি বির ওইরম্বশিংগীনা চহি ৩ কোমথোকহনখ্রে। মখোয়গী ফিজিকেল ষ্টেন্দর্দ টেষ্ট অমসুং ফিজিকেল ইফিসিয়েন্সি টেষ্ট অমুক হন্না তৌররোই হায়নসু নোতিফিকেসন অদুনা হায়রি।

ইসরো ঃ ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কম্ম্যুনিকেসন সেটেলাইট ব্লু বার্দ ব্লোক টু থাগৎকনি।

আমেরিকাগী এ.এস.টি স্পেস মোবাইলগী সেটেলাইট অসিনা এল.ভি.এম থ্রি-এম সিক্স পৃথিবীগী অনেম্বা ওর্বিৎতা য়ৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী চাউবা কম্মর্সিয়েল কম্ম্যুনিকেসন্স সেটেলাইট ওইরগনি। মসি ষ্টেন্দর্দ মোবাইল স্মার্ট ফোনশিংদা হকথেংননা স্পেস বেজ সেলুলর ব্রোদ বেন্দ ফংহন্নবগীদমক ব্লু বার্দ ব্লোক টু কম্ম্যুনিকেসন সেটেলাইটকী নেক্স জেনেরেসনগী শরুক অমনি। ইসরোনা শাবা লোঞ্চ ভেহিকল মার্ক থ্রি নত্রগা এল.ভি.এম থ্রি অসি ষ্টেজ অহুমগী লোঞ্চ ভেহিকলনি। মসি হান্ননা চন্দ্রয়ান টু অমসুং থ্রি অমদি সেটেলাইট ৭২ পুবা টু ৱান ৱেভ মিসনশিং লোঞ্চ তৌবদা শিজিন্নখ্রে।

জিতেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- ইলেক্ত্রিক মোবিলিতি অসি ওন্তরপ্রেন্যুসিপ, থবক ফংহনবা অমসুং হিংনবগী মরুওইবা পাম্বৈ অমা ওইরক্লি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ইলেক্তিক ভেহিকল এক্সপোদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়- সরকারনা শৌগৎপা ইকো সিষ্টেমনা নহা ওইরিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা ইলেক্ত্রিক ভেহিকলগা মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎপা ঙমহল্লি। ইলেক্ত্রিক মোবিলিতি অসিনা ইনোভেসন, মীপাল তাংদবা অমসুং চাওখৎনবগী লম্বী অমসু ওইরি হায়না মন্ত্রিনা মখা তাখি।

ফেষ্টিভেল ঃ নুমিৎ নিনি চথুগদবা পঞ্চায়টস-এক্সটেন্সন টু সেদ্যুল এরিয়াজ এক্ট ১৯৯৬ (পেসা) ফেষ্টিভেল লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী অন্ধ্র প্রদেশকী ভিসাখাপতমদা হৌগনি।

পঞ্চায়াতিরাজ মন্ত্রালয়না হায়- থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া হৌদোক্কনি। মদুগী মনুংদা ঈ-পাউ শন্দোকবা অমসুং এক্ট অসি চৎনবগী মতাংদা য়েংশিনবা পেসা পোর্তেল অমসুং পেসা ইন্দিকেতরস য়াওরি। ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা শান্ন-খোৎনবা অমদি সংস্কৃতিগী ওইবা থৌরমশিংসু উৎকনি হায়না মন্ত্রালয়না হায়রি।

শিবরাজ ঃ  কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- সরকারনা শেংদবা হার অমদি তিলহাৎ হিদাক্কী মায়োক্তা বিল অমা সংসদকী মথংগী মীফমদা পুথোক্লগনি। শেংদবা হার, তিলহাৎ হিদাক অমদি অতৈ নিয়মগী ৱাংমদা পুথোকপা বাইও ষ্টিুলেমেন্টশিং য়োন্নরকপা অসিদা মহাকা নুংনাংবা ফোংদোক্লদুনা হায়- অসিগুম্বা পুকচেল শেংদবা করবারৱালাশিংগী মায়োক্তা অহকপা আইন শেমদুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেটঃ  মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা এল.সি.সি. লমশাংবু রন ১৫৪ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ  ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচদা পি.এস.সি খোয়াথোংনা এস.এস.য়ু শিংজমৈ ককৱাবু ৱিকেট ২ দা থোইখি।

থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা অমদা ৱাই.দব্লিউ.সি পাৎশোইনা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু রন ৩১ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ  ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্তেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এম.পি.এস.সি মণিপুর সেন্ত্রেল জেলনা এন.সি.এ নিংথৌখোংবু রন ৫৫ দা থোইখ্রে। পাব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু র ৪১ দা থোইখি।

চেস ঃ জামসেদপুরগী ৱেব ইন্তরনেসনেলদা চথরিবা ৫৪ শুবা নেসনেল জ্নিয়র ওপন অমসুং ৩৯ শুবা নেসনেল জ্নিয়র গার্লস চেস চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা মণিপুরদগী নুপী শান্নরোই অহুম য়াওনা পুন্না শান্নরোই ৭ শরুক য়ারি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ওপন গ্রুপতা লেম্বা শোগাইজম, যোনেক্স নান্দেবম, ৱিলম্বা মোইরাংথেম অমসুং লৈমাপোকপম পারি শরুক য়ারি।

নুপীগী কাংলুপ্তা নাদিয়া শৌগাইজম, রজসমিতা হঞ্জবম অমসুং কোনালিকা য়ুমাম শরুক য়ারি।

------